## টালিবান্না অফঘান পুলিস সেন্তরদা এটেক তৌবদা মীওই ৩২ শিরে, ২০০ হেন্না অশোক অপন নংলে

গার্দেজ (অফঘানিষ্টান), ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : অফঘানিষ্টানগী খা নোংপোক থংবা পাকটিয়া প্রোভিন্সকী কেপিটেল গার্দেজদা লৈবা পুলিস ত্রেনিং সেন্তর অমদা সুইসাইদ অমসুং নোংমৈগী এটেক চথুবদা মীওই ৩২ শিরে অমসুং ২০০ হেন্না অশোক অপন নংলে হায়না ঙসি হোস্পিটালগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। ওফিসল অদুগী মতুং ইন্না এটেক অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা মখা চথুরি।

হোস্পিটাল মীনা পুংথন থল্লে, ঐখোয়না মীয়ামদা ঈ দোনেট তৌবীয়ু হায়জরি হায়না পাকটিয়া প্রোভিন্সকী কেপিটেল গার্দেজদা দেপ্যুটি হেলথ দিরেক্টর শির মোহম্মদ কারিমিনা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ূমলোন্নবা প্রোভিন্স অমদা চথুখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং ১২না অশোক অপন নংখ্রে। লান নংলবা অফঘানিষ্টানগী মুক্লবগী ফীভম থা অসিদা চহী ১৬ শুজিল্লকখিবগা লোয়ননা যু এসনা এয়র ষ্ট্রাইক চথুবা হেনগৎলকখিবগী পাউখুম ওইনা লালহৌবশিংগী লান্দাসু কনখৎলকখি।

টালিবান্না ত্বিটরগী খূত্থাংদা ক্লেম তৌখ্রবা লেপ্তুনা চথুরিবা গার্দেজগী এটেক্কী ভিক্তিমশিংদুদা নুপীশিং, মহৈরোয় অমসুং পুলিস য়াওরি হায়না ওফিসলশিংনা এ এফপিদা ফোঙদোকখি।

অহানবদা সুইসাইদ বোমর অমনা ত্রেনিং সেন্তরদুগী মনাক্তা এক্সপ্লোসিভশিংনা থল্লবা কার অমা পোকখায়হনখি অমসুং মদুগী মতুং তাবদা অতৈ এটেক্কর কয়াসু খূৎ থাবদা য়াওশিনখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

পাকটিয়া পুলিস হেদক্বার্টরগী মনাক্তা লৈবা ত্রেনিং সেন্তরদুগী মনুংদা মশাদা সুইসাইদ ভেষ্টশিং য়াওবা এটেক্করশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা লাল কন্না শোক্লরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

নাকল অনীগী লান অদু আই এস টিদা নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদা পুং মরি তাবা ফাওবদা হেন্না শোক্লরক্লবনি হায়রি। লোকল ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি মদুদি, নেসনল পুলিস, বোর্দর পুলিস অমসুং অফঘান নেসনল আর্মিগী প্রোভিন্সয়ল হেদক্বার্টরশিং লৈবা কম্পাউন্দ অদুগী মনাক্তা কার বোম অনী পোকখায়খি। গনমেন কাঙবু অমা চঙশিল্লকখি অমসুং হৌজিকসু লান লেপত্রি হায়না পাকটিয়া প্রোভিন্সিয়ল কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইরিবা অলাহ মির বাহরাম্না এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

ত্বিটরদা থাগৎলকখিবা ফোটোশিংদা কেপিটেল সিটিগী মথক্তা অচৌবা মৈখু মপৈ অনী কাখৎপা উনখি অমসুং মদুনা এটেক অদুদা মতিক ময়াই কল্লবা বোম অনী পোকখায়খ্রে হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি। পাকটিয়াদা পাকিষ্টানগী লালহৌবশিংগী মকোন ওইবা এরিয়াশিংগা মরী লৈনবা হাকানি নেটৱার্কসু ওপরেট তৌই হায়রি।

এটেক অদু পাকটিয়ান ঙমখৈ লোন্নবা পাকিষ্টানগী কুরাম ত্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টতা যু এসনা ড্রোন ষ্টাইক অমা চথুখিবা মতুংদা পাঙথোরকখিবনি। ড্রোন ষ্ট্রাইক অদুদা য়ামদ্রবদা হাকানি মিলিটেন্ট ২৬ শিখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।



## ওষ্ট্রিয়াগী অনৌবা চান্সলরনা মালেমগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা লিদর ওইরগনি

ভিয়েনা, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) :

মশাগী চহী ৩১শুবদা ঙাইরিবা কঞ্জার্ভেটিভ পিপলস পার্টি (ও ভি পি) গী লিদর সেভষ্টসন কর্জনা ওষ্ট্রিয়াগী অনৌবা চান্সলর ওইরকপা য়াবগী ফীভম লাকখিবগা লোয়ননা মহাক মালেমগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা লিদর ওইরগনি হায়রি।

চহী নৌরিবা ওইরবসু সেবাষ্টসনগী পোলিটিকেল এক্সপিরিয়েন্স শিংথানিঙাই ওইরি। প্রোজেক্সনশিংগী মতুং ইন্না, ও ভি পিনা অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৩০ লোম ফংখ্রে।

কুমজা ২০১৩দা মহাকপু য়ুরোপকী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা ফোরন মিনিষ্টর ওইহনখি। মতমদুদা মশাগী চহী ২৭তা শুরিঙৈদা মহাক্না থৌবু ওইদুনা ন্যুক্লিয়র দিলগী মতাংদা ইরান, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, চাইনা, রসিয়া, জর্মনি, ফ্রান্স অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমনা শরুক য়াবা মীফম পাঙথোকখি। কুমজা ২০১৫দা ভিয়েনাদা মরুওইবা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্ট অদু সাইন তৌনখি।

মখা তানা রাইটিষ্টশিংগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমখিবা সেবাষ্টসন্না রেফ্যুজি ক্রাইসিসকী মতমদা রেফ্যুজিশিংনা য়ুরোপতা চেনশিনবগী চাং হন্থহন্নবা য়ুরোপতা বোর্দর কন্ট্রোলশিং কনখৎনবা অপিল তৌখি। মহাক্না মপানগী ওর্গনাইজেসনশিংবু ওষ্ট্রিয়াগী মোস্কশিংদা শেলগী মতেং পীদুনা শৌগৎপা ঙমদনবগী লোশিং হৌদোকখি অমসুং লৈবাক অদুগী মুসলিমশিং শুপ্পগী গভর্ণমেন্টনা এপ্রুভ তৌবা জর্মন লোলগী কুরানশিংদমক শীজিন্নহনগদবনি হায়খি। মহাক্না মীয়াম মমাঙদা মাইদা মাইখুমনা খঞ্জিনবা থীংলিবা 'বুর্কা বেন' শৌগৎখি। তশেংনমক কর্জনা ও ভি পিবু ফার রাইট ফ্রীদম পার্টি ওফ ওষ্ট্রিয়া (এফ পি ও) গা হেন্না নকশিন্নহনখি।

মহাক্না ওষ্ট্রিয়াদা চহী মঙা শুনা লৈরক্তবা রেফ্যুজিশিংদা ষ্টেটকী মায়কৈদগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংলোই হায়না লাউথোকখি।

ওক্টোবর ১৫গী মীখলগী মমাঙদা লান মফমশিংদগী অমসুং তাথী তাওইনা তৌবদগী চেল্লকখিবা মীশিং চংহল্লরোই হায়না মহাক্না মীয়ামদা থাজবা পীখি।

ও ভি পি পার্টিনা ফার রাইট এফ পি ও নৎত্রগা সেন্তর লেফট সোসল দেমোক্রেটিক পার্টি ওফ ওষ্ট্রিয়াগা লোয়ননা লৈবাক অসিবু লৈঙাক্লবা য়াই হায়রি।



## ন্যুক্লিয়র লাল মতম অমদা হেক্তা থোক্লকপা য়াবগী ফীভম লৈরে : নোর্থ কোরিয়া

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা তন্বা ঙমদবা ফীভম অমা লৈরে অমসুং মিৎকুপ অমদা হেক্তা ন্যুক্লিয়র লাল থোক্লকপা য়াই হায়না নোর্থ কোরিয়াগী দেপ্যুটি যু এন অম্বেসেদরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

কিম ইন রিওংনা যু এন জেনরেল এসেমব্লিগী দিসার্মামেন্ট কম্মিটিদা হায়খি মদুদি নোর্থ কোরিয়া অসি মালেমদা কুমজা ১৯৭০গী মতুং চহীশিংদগী যু এসকী কা হেনবা অমসুং হকথেংনবা ন্যুক্লিয়র থ্রেটকী মখাদা লৈরকপা অমত্তা ঙাইবা লৈবাকনি। অদুনা লৈবাক অসি মশা ঙাকথোক্লবা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়শিং পায়বগী হক লৈ।

মহাক্না পেনিন্সুলা অদুদা চহী খুদিংগী ন্যুক্লিয়র এসেটশিং শীজিন্নদুনা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং পাক শন্না পাঙথোকই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হেন্না খুদোংথীনিঙাই ওইরিবদি যু এসনা ঐখোয়গী সুপ্রিম লিদরসিপ লৌথোক্লবগী পান্দমদা অরোনবা ওপরেসন অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবসিনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কিমনা হায়খি, চহী অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ফোর্স মপূং ফাহন্দুনা চপ চাবা ন্যুক্লিয়র পৱার অমা ওইরকখি। লৈবাক অসি এটোমিক বোম, হাইড্রোজেন বোম অমসুং ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক রোকেটশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী রেঞ্জশিংগী ওইবা দেলিভরিগী পাম্বৈশিং লৈরে।

যু এসকী মপূং লম অপূম্বা ঐখোয়না কাপ্পা ঙম্বা রেঞ্জগী মনুং চন্না লৈরে অমসুং যু এসনা ঐখোয়গী শেংলবা লমদা ইঞ্চি অমগী মফমদা ফাওবা লান দারকপা তারবদি লৈবাক অসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ঐখোয়গী অকনবা চৈরাক নাম্থোকপা ঙম্লোই হায়না মহাক্না চেকশিন ৱা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা কিহন্নবা হেল্লকপা অমসুং যু এনগী অথিংবশিংসু কনশিল্লক্লিঙৈ চৈরক্তা কিমগী ৱারোল অসি লাক্লিবনি।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা যু এনগী অথিংবশিংগা চান্ননা মহাক্কী লৈবাক্না নোর্থ কোরিয়াগা শেল থুম, সাইন্টিফিক অমসুং অতৈ মরীশিং ককথরে হায়খি অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নসু পিয়াংয়াংগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া লাউথোকখ্রে।

যু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খি মদুদি, অহানবা বোম থাদভ্রিফাওবা নোর্থ কোরিয়ন ক্রাইসিস লৈখাই তাথোক্লবা দিপ্লোমেটিক পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মখা তানা হোৎনখিগনি।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চয়োল খরগী মমাঙদা মহাক্কী চীফ পাউখোলোইনা নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং উনগা নিগোসিয়েট তৌনবা হোৎনদুনা মহাক্কী মতম মাঙহল্লে হায়না ত্বিটরদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখিবা লৈনা লৈনা টিলরসন্না দিপ্লোমেসিগী পাম্বৈদা মখা তানা থাজবা উৎখিবনি।

## কাটালোনিয়াগী নীংতম ঈহৌগী লুচিংবা ২ ওথোরিটিগী মায়োক্তা ঈরাং থোকহনবগী মরালদা জেলদা থমখ্রে

বার্সিলোনা, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : প্রো-ইন্দিপেন্দেন্স গ্রুপশিংগী লুচিংবা অনি জেলদা থম্নবা জজ অমনা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা স্পেনগা নীংতম্বা তাল্লিবা কাটালোনিয়া রিজনগা মুক্লবগী ফীভম নিংথৌকাবা নুমিৎতা হেন্না কনশিনখ্রে।

লমদম অদুগী য়েৎননিঙাই ওইরবা নীংতম্বগী ভোটকী মাঙওইননা দেমোন্সত্রেসন কয়া পাঙথোক্লবা মীয়ামদা তকশিনখিবগা মরী লৈননা লৈবাক্কী ওথোরিটি শিংনবগী মরালদা মখোয়গী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথুখিবনি।

গ্রাসরুটস ওর্গনাইজেসনশিং কাটালান নেসনল এসেমব্লি অমসুং ওমনিয়ম কলচরেলগী মকোকশিং ওইরিবা জোর্দি সাঞ্চেজ অমসুং জোর্দি কুইজটিবু জেলদা থম্বগী খোঙথাংনা মরম ওইদুনা কাটালোনিয়াগী কেপিটেল বার্সিলোনাদা খুদক্তা ঈরাং থোক্লকখি। মীয়াম্না লম্বীশিংদা চাকখুমগী পাত্রশিংদা খীন্নখি। কার হোর্নশিং খোংনখি অমসুং খুবাক খুনখি।

কাটালোনিয়াগী প্রসিদেন্টনা স্পেনগী নীংতম্বা লাউথোকখিবা লৈব্রা হায়বগী মতাংদা শেংদোক্লবা থাখিবা হৌখিবা নিংথৌকাবগী অয়ূক্কী মতম ফাওবদা চানবা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোক্তনা হৌখিবা মতুং পুং ১২ রোম লৈরগা জজগী ওর্দরদু লাকখিবনি।

হৌজিক কাটালান প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্টনা শগোলশেল নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা লমদম অদুনা নীংতম্বগী মায়কৈরোমদা থাংজিনখিবা খোঙথাং খুদিংমক হন্দোক্লগনি হায়বদু স্পেনিস গভর্ণমেন্টদা খঙহনগদবনি। করিগুম্বা মহাক্না য়াদবা তারবদি কনষ্টিট্যুস্নেল ওথোরিটি শীজিন্নদুনা কাটালোনিয়ানা মফম কয়া মশানা লৈঙাকচবগী ফীভম চৎনহল্লরোই নৎত্রগা অথিংবা কয়া থল্লগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা চেকশিন্না হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী কোর্টকী রুলিং অদুদা স্পেনিস নেসনল কোর্টকী জজনা হায়খি, সাঞ্চেজ অমসুং কুইকর্জাটনা দেমোন্সত্রেসনশিংদুবু লুচিংখি। সেফতিগা মরী লৈনবা পুলিসকী রিক্কমেন্দেসনশিং থৌশাখিদে অমসুং স্পেনিস পুলিসপু মখোয়গী মথৌশিং পাঙথোকপা য়াদনবা কোর্দন অমা শেমহনখি হায়না মরাল শিখি। করিগুম্বা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈরাং হৌনবগী মরমদা হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শিদুনা ৱায়েল চথুবগা লোয়ননা কনভিক্ট তৌবা তারবদি মখোয় চহী ১৫ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই।



## কর্দিষ্টান রিজন্দা খূৎ থোক্লবা লেপ্নবা যু এননা অপিল তৌখ্রে

কির্কুক, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) :

ইস্লামিক গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা নোর্দন সিটি কির্কুক অমসুং মরুওইবা ইন্সটোলেসন কয়া কর্দশিংগী মখূৎতগী নমদুনা কন্ট্রোল তৌশিনখিবা মতুংদা যু এসনা লমদম অদুদা ঈং চিকপা ফীভম লিংনবা অপিল তৌখ্রে। ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী স্পোকস্পার্সন হিথর নাউৱর্টনা পার্টি খুদিংমক্তা মখা তানা খূৎ থোক্লবা লেপ্পবা তকশিনখি।

কর্দিষ্টান রিজন্দা ৱাথোক ওইখিবা নীংতম্বগী রেফরেন্দম অমা পাঙথোকখিবা মতুং চয়োল অহুম লৈরগা ইরাকি লান্মীশিং কির্কুক্তা চঙশিনখি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চনখিবা মতুং কর্দিশ কন্ট্রোলগী মখাদা লাকখিবা লমদম অদুবু অমুক হন্না পায়শিন্নবগী পান্দমদা ইরাকি লান্মীশিং চঙশিনখিবনি।

কির্কুক য়াওনা কর্দিশনা কন্ট্রোল তৌবা এরিয়াশিংগী মীয়াম্না সেপ্তেম্বর ২৫গী ভোট অদুদা লমদম অদুদা ইরাক্তগী নীংতম্না লৈবগী ৱাফম পাক্তক্লনা শৌগৎখি।

কির্কুক সিটি ইরাকি কর্দিষ্টানাগী ৱাংমদা লৈজরবসু সিটি অসিগী কর্দিশ ভোটরশিংসু নীংতম্বগী ভোট অদুদা শরুক য়াহনখি। ইরাকি প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল-অবাদিনা ভোট অদু কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তনি হায়না ক্রিটিসাইজ তৌখি। তৌইগুম্বসুং কার্দিষ্টান রিজনেল গভর্ণমেন্ট (কে আর জি) নদি মদু লোনা য়াবা খোঙথাংনি হায়খি।

চৈরকসিদা নোর্থৱেষ্টর্ন নিনেভবু প্রোভিন্সকী সিঞ্জর টাউন বাঘদাদ গভর্ণমেন্টনা শৌগৎপা মিলিস্যা কাঙবু অমনা কন্ট্রোল তৌখ্রে হায়না রিপোর্ট খরনা ফোঙদোক্লি।

কর্দিশ পেশমর্গা লান্মীশিংনা হন্দোকখিবা মতুংদা খূৎ অমত্তা থোক্লদবীদা মিলিস্যা কাঙবুদুনা মফমদু লৌশিনখিবনি হায়না রিপোর্ট শিংনদুনা মখা তাখি।

## পাকিষ্টান-অফঘানিষ্টান বোর্দরদা ড্রোন ষ্ট্রাইক চথুবদা ৫ শিখ্রে

পারাচিনার/পেশৱার, পাকিষ্টান, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টানগী চীংগী বোর্দর লমদমদা যু এসনা ড্রোন ষ্ট্রাইক চথুবদা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট অমসুং মিলিটরি ছোর্সশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। টালিবান্না হোষ্টেজ ওইনা ফাজিল্লকখিবা কনাদিয়ন-অমেরিকান মতৈ-মনাও অমা এরিয়াদুমক্তদগী রেস্ক্যু তৌখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা ড্রোন ষ্ট্রাইক্তু চথুখিবনি।

টালিবানগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি য়ামদ্রবদা টালিবানগা মীচং ওইনবা পাকিষ্টান্দা বেজ ওইবা হাক্কানি নেটৱার্ককী মেম্বর মঙা নিংথৌকাবগী ড্রোন ষ্ট্রাইক অদুদা শিখি অমসুং নিপান্না শোকখি।

ইরাই নুমিৎতা অমেরিকান কাইটলান কোলমেন, মহাক্কী কনাদিয়ন মপুরোইবা জোশুআ বোইল অমসুং মখোয়গী মচা অহুমবু থাদোকখিবা নোর্থৱেষ্টর্ন পাকিষ্টানগী এরিয়া অমগী মনাক্তা যু এসকী ড্রোনশিং কোইরৈ লৈদুনা পাইবা উখি।

কোলমেন অমসুং বোইল কুমজা ২০১২দা অফঘানিষ্টানগী চীংগী লমদমদা বেকপেকশিংগা লোয়ননা চৎলিঙৈদা হাক্কানি নেটৱর্কনা ফাজিনখিবনি। মখোয়বু রেস্ক্যু তৌখিবগী থৌদোক্না যু এস অমসুং পাকিষ্টানগী মরীদা পূক্লিং থৌগৎনীঙাই ওইবা মমি অমা উহনখি।

পাকিষ্টানগী ঈরাং কনবা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌবা ত্রাইবেল এরিয়াশিংগী শরুক ওইরিবা কুরম এজেন্সিগী খ্বাইদগী সিনিয়র ওইবা এদমিনিষ্ট্রেটর বাসীর খান ৱাজীরনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎতা বোর্দরগা নক্লবা টালিবানগী লোৎফম অমদা মী তোংদবা ড্রোন মরিনা মিসাইল কয়া কাপশিনখি। মিসাইল ষ্ট্রাইক চথুরিবা টালিবানগী লোৎফমদু করম্বা মায়কৈদা লৈবগে হায়বদু কনফার্ম তৌবা ঙমখিদে।

মশক মমিং তাকথোক্লীংদবা অফঘান টালিবানগী মেম্বর অমনা হায়খি, মুজাহিদ্দিন অফঘান টালিবান ফাইটরশিংনা শীজিন্নবা লৈবাক্না শাবা য়ূম খরা লৈ। ড্রোনশিংনা তোঙান তোঙানবা কম্পাউন্দ অহুম টার্গেটি তৌদুনা মিসাইল ৬ কাপখি।

মহাক্না এরিয়া অদুদা মরুওইবা মিলিটেন্টশিং লৈতে হায়খি। তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা টালিবান ছোর্সনদি এটেক অদুদা কম্মান্দর অনী শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা মখোয়না ড্রোনশিংগী মখোল তাখি অমসুং মৈখু মপৈশিং উবা ফংখি হায়না ফোঙদোকখি।

'বোর্দর এরিয়া অসিগী মথক্তা মতম অয়াম্বদা ড্রোনশিং পাই তৌইগুম্বসুং এরিয়াদুমক্তা ড্রোন মরি কোইরৈ লৈদুনা পাইবা উবসি মসিনা অহানবনি' হায়না গুলাব সের কৌবা কুরমগী মীওই অমনা ফোঙদোকখি।



## বংলাদেশকা নক্লনা রোহিংয়াশিংনা থন্না তোংবা হিনাও অমা ঈশিংদা লাকখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিরে

সাহ পোরির দ্বীপ (বংলাদেশ), ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : বংলাদেশতা চেন্নবা হোৎনবা রোহিংয়া কাঙবু অমা থন্না তোংবা হি অমা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ঈশিংদা লাকখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রে অমসুং মীওই দজন কয়া থীবা খঙখিদ্রে। ম্যান্মারদা রোহিংয়া মুসলিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা আর্মিনা চথুরিবা অকনবা মিলিটরি কেম্পেইনদা মীওই মিলিয়ন তঙ্খাই অমা হেন্না বংলাদেশতা চেনখিবা মতুংদা অতোপ্পা মীওই ১২,০০০সু য়ূমলোন্নবা লৈবাক অসিদা চেনশিন্নবা হোৎনরকখিবদা খ্বাইদগী নৌবা হি লাকপগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

হি অদু লৈবাক অনীবু তোঙান তোঙান্না খাইদোক্লিবা নাফ তুরেলগী মচিন্দা ঈশিংদা লুপখিবা মতমদা মীওই ৫০ রোম তোংখি হায়না বংলাদেশ এরিয়াগী বোর্দর গার্দশিংগী কম্মান্দর লেফটিনেন্ট কর্নেল এস এম অরিদুল ইস্লামনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োল তরুকমুক অসিদা বংলাদেশ তম্না চৎখিবা খুদোংথিনিঙাই ওইরবা ঈশিংগী খোঙচৎশিংদা রোহিংয়া ২০০ রোম ঈরাক্লদুনা শিখ্রে। রোহিংয়া রেফ্যুজি কয়া খুদোংথীনিঙাই ওইবা মওংদা উগী হিনাওশিংদা চোন্না তোংখি হায়রি।

ঙামীশিংনা শীজিন্নবা অপিকপা ত্রোলর অমা ঈশিংদা মথন্তা ওনবদগী মীওই ২১ ঈশিং খোংবান ফাওবা ঈরোইবগী হিংহৌরে অমসুং নাফ তুরেলদা কোষ্ট গার্দ অমসুং বোর্দর গার্দশিংনা সার্চ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসন পাঙথোকখি হায়না ইস্লামনা ফোঙদোকখি।

শৈইখ অশ্রাফুজামন কৌবা সিনিয়র ওফিসর অমনা ওথোরিটিশিংনা অঙাং তরুক অমসুং নুপী মরিগী হকচাংশিং লৌখৎলে হায়না ফোঙদোকখি।

এটেক অদু অয়ূক অঙনবগী লাইখুরুম্বগী মতমদা থোকখিবনি হায়না অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুবু উহৌবা সামস উদ্দিন কৌবা লোকল মীওই অমনা ফোঙদোকখি। হিদু ঈশিংগী ঈথক ঈরৈশিংগী মায়োক্তা হোল্লুবদা মথন্তা ওনখিবা মাল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

যু এনগী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা ফাওবদা বংলাদেশতা ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতগী রোহিংয়া ৫৩৭,০০০ থুংলখি। মখোয় ষ্টেট অদুদা থোক্লিবা মীশি মীনাগী ঈরাংশিংদগী নাম্থোক্লবা বংলাদেশতা চেল্লিবনি। রোহিংয়াশিংগী মায়োক্তা ত্রাইবশিংনা মাইনোরিটি কাঙলুপ অসিবু মুথৎনবগী অকনবা কেম্পেইন অমা চথৈ হায়না যু এন্না মরাল শিখি।



## ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিং রাক্কাদা অরোইবা লান শোক্লরি

রাক্কা (সিরিয়া), ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : সিরিয়াগী রাক্কাগী অরোইবা মফম খরদা লোৎতুনা লৈরম্বা ইস্লামিক গ্রুপকী জিহাদিষ্টি চা কয়াগা যু এসনা শৌগৎপা ফাইটরশিংগা অকনবা লান শোক্লখ্রে হায়রি। হান্না এক্সত্রিমিষ্টশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড ওইখিবা সিটি অসি জিহাদিষ্টশিংগী মখূৎতগী মুনখিবা য়াবগী ফীভম মরক্তা নাকল অনীগী মরক্তা লান শোক্লখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা আর্টিলরি কাপ্পগী মখোলশিং মরক মরক্তা তাখি অমসুং যু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না মফমদুদা লৈহৌরিবা জিহাদিষ্টশিং টার্গেট তৌদুনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুবদা মাঙ তাক্লবা সিটিগী মথক্তা মৈখু মপৈশিং থানা কাখৎপা উখি।

সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ) না হৌজিক ফাওবগী ওইনা মখোয়গী খ্বাইদগী কল্লবা লানশিং শোক্লরি হায়না সিটি অসিবু লৌশিনবগী ওপরেসনগী স্পোক্সপার্সন জিহান দৈইখ অহম্মদনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী নৌনা লান অসিনা শৈইখ লৈহল্লরোই হায়না মহাক্না আই এসকী অরাবিক এক্রোনিম শীজিন্নরদুনা মখা তাখি। মখোয় সরেন্দর তৌবগা শিবগী মরক্তা খঙ্গগদবনি।

মতম অমদা সিরিয়া অমসুং ইরাক্কী শরুকশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা লাউথোকখিবা মশানা হায়জবা কালিফটকী সিরিয়ারোমদা লৈবা দি ফেক্টো কেপিটেল ওইরম্বা মাঙ তাক্লবা সিটি অসিদা আই এসকী ফাইটর ৩০০ রোম মখা তানা লৈরি হায়না থাজনরি।

মফমদুদা লৈরিবা আই এসকী এলিমেন্টশিং মখা তানা লাম্থেংনরি অমসুং লান অদু মপূং ওইনা ঙাকশেনগী থৌরাং কল্লবা অমসুং মাইন মরাং কায়না ফুম্বা এরিয়াশিংদা শোক্লখি হায়না শৈইখ অহম্মদনা ফোঙদোকখি।

কর্দিশ অমসুং অরাব ফাইটরশিংগী এলাইন্স অমা ওইরিবা এস দি এফনা হৌখিবা জুন থাদা রাক্কাদা থোমজিনখি অমসুং সিটি অসিগী চাদা ৯০ রোম খুদুম চনশিনখি। হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা লোকল ওফিসলশিংনা ৱাতেমদুনা মফমদুদা লৈহৌরিবা মীচমশিং হোন্দোক্লবগী দিল অমা পুরকখি।



## মাল্টাগী জর্নেলিষ্টকী মচানুপানা মাফিয়া ষ্টেট চৈ থাংখ্রে

ভালেতা, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) :

মাল্টাগী কার বোম এটেক অমদা শিখিবা ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট অমগী মচানুপানা লৈবাক অদুগী মাফিয়া ষ্টেটপু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৫৩শুরবা ইনভেষ্টিগেটিভ জর্নেলিষ্ট দাফনে কারুৱানা গলিজিয়া হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মোষ্টাগী মনাক নক্লা বিদনিজাদা লৈবা মহাক্কী ময়ূম থাদোকখিবা ঙাইহাক্কী মনুংদা বোম অমা পোকখায়বদা শিখি। মহাক লৈবাক্কী মকোক থোংবা পোলিটিসিয়নশিংবু শেঞ্জা থুমজাগী মরাল শিদুনা ইবা ব্লোগশিংগীদমক্তা মমিং চৎপী জর্নেলিষ্টনি।

লৈবাক্কী লোশিং অমসুং মখোয়বু খোঙ্গাওনবা পাম্বশিংগী মরক্তা লৈখিবগীদমক্তা ঐহাক্কী ইমাবু হাৎখিবনি হায়না ব্লাষ্টকী মখোল তাবদা চেন্থোক্তুনা য়েংখিবা গলিজিয়াগী মচানুপা মাথিয়ুনা ফোঙদোকখি।

## লম্মৈ চাকপদা শিখিবশিংগীদমক অৱাবা ফোঙলগনি



লিজবন, ওক্টোবর ১৭ (এজেন্সি) : লৈবাক্কী মফম কয়াদা লম্মৈ চাকপদা শিখিবশিংগীদমক্তা পোর্টুগলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা লৈবাকশিনথুংনা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেন্ট্রেল অমসুং নোর্দন লমদমশিংদা মফম চা কয়া শন্না লম্মৈ চাকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩৬ শিখি। ইকং কংবা নোং চীংগী ফীভমনা মরম ওইদুনা লম্মৈ চাকপদু হৌখি অমসুং হরিকেন ওফিলিয়াগা লোইনরকখিবা এটলান্টিক্কী অকনবা নুংশিৎনা মফম কয়াদা শন্দোকখি।

স্পেনগী বোর্দর ৱাংমা লান্না গেলিসিয়া রিজন্দা লম্মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিখি। লৈবাক অসিগী অপূনবা লমশিংগী তঙ্খাই অমরোমনি হায়না পনবা তাগুম তুরেলগী অৱাংদা লৈবা এরিয়াশিংদা লম্মৈ চাকপা কয়ানা মরম ওইদুনা পোর্টুগলনা তঙাইফদনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখি।

কুমজা ২০০৬তগী লৈবাক অসিদা থোক্লিবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শন্দোরকখিবা শাথিরবা লম্মৈ চাকপগী থৌদোক্তুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর এন্তোনিও কোষ্টানা ষ্টেটমেন্ট অমা পীখি।